**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 24-12-2025)**

**খৃষ্টমাস (এল)ঃ** হয়েংদগী হৌগদৌরিবা খৃষ্টমাস কুম্মৈগা মরী লৈননা খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংনা খৃষ্টাম কুম্মৈ শেম শাবা লোয়রে। য়ুমথোংখুদিংদা কেরোল থেৎতুনা নীংথিজনা লৈতেংলে। চিং অমদি তমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা চর্চশিংসু নীংথিনা লৈতেংদুনা কুম্মৈ অসিগীদমক শেম শান্নরি।

নোনে জিলাগী ওইনসু খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংনা কুম্মৈ অসিবু পাঙথোক বা মপুং ফানা শেম শাবা লোয়রে।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা মহাক্কী পাউজেল অমদা হায়-প্রভু যিশুনা মহাক্কী পুন্সি, মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক্তা কৎথোকখিবা অদুবু নীংশিংদুনা খুদামিন্নরিবা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্ননা অমদি অমত্তা ওইবা ৱাখল্লোনদা লৈমিন্ননবাআপিল তৌরি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা নুংশিনদবা, য়েংথিনবা পুমমক কাউথোকদুনা অমত্তা ওইবগী লীপুননা চেৎনা পুনশিনদুনা রাজ্য অসি ইং তপ্পা অমদি তংদু লৈতাবা লমদম অমা খৃষ্টমাস কুম্মৈনা লাকপদা পুরকপা ওইরসনু।

মহাক্কী পাউজেল অমদা-বিধান সভা অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতানা হায়-নুমিৎ অসিনা লাকপদা রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্তা পুন্না খুদামিন্নরিবা ঐখোয় মশেল মরক্তা মচিন মনাও ওইবগী নুংশিনবা অমসুং থাজনবা পুরক্লসনু।

এম.এল.এ. য়ুমাম খোমচান্দনা নুমিৎ অসিনা লাকপদা মরুওইনা খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাক্কী পাউজেলদা হায়-নুমিৎ অসিনা লাকপদা প্রভু যিসুনা পুমমকপু নুংশিবা অমসুং ইং তপ্পা পুরকবা

কৎথোকখিবশিং অদু ঐখোয়না নীংশিংদুনা মহাক্কী খুদুং ইল্লসি।

কে. রোবিন্দ্রো-এম.এল.এনা হায়-হরাও কুম্মৈগী মতম লাকপা অসিদা ইমুং খুদিংমক নুংঙাইবা অমসুং অমগা অমগা নুংশিবগী মরী চেৎশিলহনবা ওইরসনু।

মনিপুর কংগ্রেস প্রদেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট-কে. মেঘাচন্দ্রনা হায়-ঙসি ঐখোয়গী সমাজতা অমত্তা ওইবা, নুংশি চান্নবা অমসুং অমনা অমবু ইকায় খুম বগী তঙাইফদবা লৈরিবা মতম অসিদা প্রভু যিসুনা তাকপীরম্বা নুংশিবা, ঙাকপীবা, কৎথোকপা অমসুং মীওইবা খুন্নাইবু সেবা তৌবগী ৱাখল্লোন অদু য়াম মক তঙাইফদে।

শিব সেনা মনিপুর প্রদেসকী মায়কৈদগীসু কুম্মৈ অসিগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

কেন্দ্রগী রাজ্য মন্ত্রি-রাজকুমার রঞ্জন সিংহ য়াওনা লুচিংবা কয়ানা মীয়ামদা মরুওইনা খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। ওল মনিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমশু) নসু নুমিৎ অসিনা লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

ওল মনিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো) নসু কুম্মৈ অসিনা লাকপদা মনিপুরদা ফুরুপ মশেল মরক্তা ইংনা চিকা, তংদু লৈতানা হিংমিন্নদুনা চাউখৎপা, নুংঙাইবা পুরকপা ওইরসনু হায়রি।

ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন-সেনাপতিনসু খৃষ্টমাস কুম্মৈনা লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

কাংপোকপীদা লৈবা টেরিটোরিয়েল আর্মি বটালিয়ননসু খৃষ্টমাস কুম্মৈগা মরী লৈননা ঙসি জিলা অসিগী বোলজাং অমদি সহৈবুং খুলদা লৈরিবা আই.দি.পি. মীয়ামদা চান-থকবা য়াওনা অচম্বা খুদোল তমদুনা খৃষ্টমাসকী য়াইফ পাউজেল পীখি।

**ইন্দিজিনস(এল)ঃ** খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈ খৃষ্টমাসনা লাকপদা মীতৈ-নাগা-থাদৌ-লিয়াংমৈ অমদি মীতৈ পাঙলগী অপুনবা কাংবু অমনা লাঞ্জেন্নরিবা মীয়ামদা চান-থকবা পোৎলমশিং খুদোল ওইনা পীখ্রে।

থৌরম অদু ইন্দিজিনস পিপলস ফোরম-মনিপুরনা শিনদুনা পাঙথোকপনি। শওন্মুংদা লৈবা ত্রেম্পরেতি সেলতর হোম অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী লম্বোই খোঙনাংখোংদা লৈবা রিলিফ কেম্পতা হৱাই-চেংৱাই য়াওনা তোঙান তোঙানবা চান-থকবা পোৎলমশিং পীখিবনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ইন্দিজিনস পিপলস ফোরম-মনিপুরগী এদভাইজর-অশাং কছারনা হায়-য়েলহৌমী ফুরুপশিং অমগা অমগা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরবা মতমদা তংদু লৈতাবা, ইং চিকা পানবা লমদম অমা ওইবা ঙমগনি। থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা কোকোমিগী কনভেন্নর-খুরাইজম অথৌবনা হায়-অৱাবা তারবা মতমদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ মশেল অমগা অমগা মতেং পাংনবনা তুং কোইনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

**মেলা (এল)ঃ** ৩২ শুবা ইম্ফাল বুক ফিয়ার-২০২৫ ঙসি লোয়শিনখ্রে। মমাং চহিশিংগা য়েংনবদা হন্দকা বুক ফিয়ার অসিদা মী লাকপগী চাং ৱাংখি। ঙসি অরোইবা নুমিৎ অসিদা ৩২ শুবা ইম্ফাল বুক ফিয়ার-২০২৫ গী রিপোর্ট পুথোকখি।

থা অসিগী ১৫ দগী ইম্ফালগী ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরিদা চপ্থরকপা বুক ফিয়ার অসিগী লোয়শিনবগী থৌরমদা আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নার-ঐচ. গ্যানপ্রকাশ শরুক য়ারদুনা হায়-লাইরিক্কী মেলা অসি পাঙথোকপা খক্তা নত্তনা লাইরিক্কা মরী লৈনবা থৌরম কয়া-দিবেটিং কম্পিটিসন, পেন্টিং অমদি তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া পাঙথোক্লিবা অসি য়ামা নুংঙাইবা পোকই। মহাকা হায়- চৈথারোল কুম্ববদা য়ুম্ফম ওইরগা কুইজ কম্পিটিসন পাঙথোকখিবা অসিনা মহৌশাদগী লৈজরকপা লমদম অসিগী লাইরিকশিংগী মরমদা

অঙাংশিংনা হেন্না খঙনবগী মচাক অমসু ওইহল্লি। মসিনা অরীবা লাইরিকশিং কনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি। মসিদা স্কুল-কলেজগী ওজাশিংনা মাগী মাগী মহৈরোইশিং পুরক্তুনা বুক ফিয়ার অসিদা শরুক য়ারিবা অসি চাউথোকচনিংঙাইনি। মসিনা মহৈরোইশিংদা লাইরিক পানিংবা অমদি লাইরিক্কী মরমদা খঙনিংবা কয়া অদু পোকহল্লি।

থৌরম অসিদা আর্ট এন্দ কলচরগী দিপ্যুতি সেক্রেটরি-অশেম রংগীনা চনু, হান্নগী আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্তর-কে. সোবিতা দেবী শরুক য়াখি।

ঙসিগী লোয়শিনবগী থৌরম অসিদা নাৎকী ওইবা থৌরমশিং অমদি তোঙান তোঙানবা চাংদমবশিংদা অথোই অহেন তারবশিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকখি।

**শ্যাম (এল)ঃ** করাম শ্যাম-এম.এল.এনা হায়রি-মনিপুরদা ওইরিবা দ্রগকী সমস্যা অসি য়ামা নুংনাংনিংঙাই ওইবা ফিভমদা লৈরি।

বি-ফিটজিলা ফাইব পোইন্ট জিরোগী থৌরম অমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী শ্যামনা হায়-শান্ন খোৎনবনা হকচাং ফনা থম্বতা নত্তনা ময়াই কাবা নিশা-দ্রগক্তগী লাপা লৈবদা মতেং পাংই। হকচাং ফরবদি ইশাগী, ইমুং মনুংগী অমসুং খুন্নাইগী ওইনা অফবা থবক কয়া পাঙথোকপা ঙম্মী। মরম অদুনা, হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা থকশি খাসি লৈনা হকচাং ফবা পুন্সি অমা ওইননবা হোৎনবনা খুন্নাই অসিবু চাউখৎহনবতা চাউনা মতেং পাংগদৌরিবনি।

**কেম্পে(এল)ঃ** অফবা সাসন-গুদ গভরনান্স ৱিক্কী মনুং চন্না মীয়াম খুদোংচাদবশিং য়েংশিন্নবা কেম্প অমা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন বিষ্ণুপুরনা শিনদুনা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

জিলা অসিগী দি.সি. কমপ্লেক্সতা লৈবা পঞ্চায়েট রিছোর্স সেন্টর হোলদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা কেম্প অদুদা হকশেলগা মরী লৈনবা

খুদোংচাদবশিং, মহৈ মশিং তম্বগী মতাং, সি.এ.এফ. অমদি পি.দিগা মরী লৈনবা থবকশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা বিভাগ কয়াগী স্তোলশিং হাংদোক্তুনা মীয়ামনা থেংনবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা হোৎনখি।

**ককচিং(এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনন-ককচিংগী মীৎয়েং মখাদা জিলা অসিগী চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিটনা তোঙান তোঙানবা বি.এল.এফকা খুৎশমদুনা প্রোটেক্সন ওফ চিলড্রেন, চাইল্ড মেরিএজ, চাইল্ড ত্রাফিক্কিংগী মখাদা নোংমগী ওইবা মীয়ামবু ভাব তাহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

হিয়াংলম মখা লৈকাইদা লৈবা এস.ডব্লিয়ু.সিগী কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা বি.এল.এফকী মেম্বরশিংগা রিছোর্স পার্সনশিংগা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি।

**য়ুপিএম(এল)ঃ** অসামগী সিলচরদা লৈবা লেংওনদবী পাৎতা লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিং নীংশিংদুনা অমদি ইকায় খুমবা উৎতুনা ঙসি হৈকৎ লৈকৎ তমখ্রে।

থৌরম অদু ‘ঐখোয় অমুক হন্না খুন্তাক্লরোই হায়বা’ পান্দমদা য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু.পি.এফ) মনিপুরনা পাঙথোক্তুনা লাকপা চহি তরেৎ খুন্তাকপা নীংশিং থৌরমগী মনুং চন্না পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা য়ু.পি.এফ. মনিপুরগী প্রসিদেন্ট নোংথোম্বম রুপচন্দ্রনা হায়-চহি তরেৎ খুন্তাকপগী মতম অদুদা কছারগী লেংওনদবী পাৎ অসিদা নিংথৌশিংনা লৈরম্বা মফমসিদগী য়াইফ থৌনি তৌরবা মতুংদা মনিপুরদা অমুক হন্দুনা মচোই মচোই তাবগুম লৈরিবা ফিভম অসি অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা হোৎনগনি।

**থৌবাল(এল)ঃ** থোবাল জিলাগী মনুং চনবা ৱাইথৌ পাৎতা রাজ্য সরকারগী ওগমেন্টেসন ৱাটর সপ্লাই স্কিম লৈরবসু পাৎ অসিগী অকোইবদা লৈরিবা মীয়ামদা ঈশিং ফংহন্দে হায়দুনা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসিগী ওফিস ছো

লোনশিনদুনা খোঙজং চংশিনখ্রে।

খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা মীওই অমনা ফোংদোরকপগী মতুং ইন্না ৱাইথৌ পাৎতা লৈরিবা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসিগী মখাদা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা ঈশিং পীদুনা লাক্লি। অদুবু, পাৎ অসিগী অকোইবদা খুন্দারিবা মীয়ামদা ৱাটর সপ্লাই অসিগী কান্নবা ফংহন্দবা অসিদা মীৎয়েং চংবীনবা মরী লৈনবশিংদা অইবা চেরোল পীদুনা হায়জখ্রবসু ঙসি ফাওবা মীৎয়েং চংলক্তবদগী খোঙজং অসি চংশিল্লকপনি হায়রি।

**ইসরোঃ** ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইসরো) না ঙসি অয়ুক পুং ৮ মিনিত ৫৪ দা কম্যুনিকেসন সেটেলাইট ব্লু বার্দ ব্লোক টু মায় পাকা থাগৎখ্রে। শ্রীহরিকোতাগী ছতিস ধাৱন স্পেস সেন্তরগী অনিসুবা লোঞ্চ পেদতগী সেটেলাইট অদু থাগৎখিবনি।

আমেরিকাগী এ.এস.টি স্পেস মোবাইলগী সেটেলাইট অসিনা এল.ভি.এম থ্রি-এম সিক্স পৃথিবীগী অনেম্বা ওর্বিৎতা য়ৌবা ঙম্বা খ্বাইদগী চাউবা কম্মর্সিয়েল কম্যুনিকেসন্স সেটেলাইট ওইরগনি। মসি ষ্টেন্দর্দ মোবাইল স্মার্ট ফোনশিংদা হকথেংননা স্পেস বেজ সেলুলর ব্রোদ বেন্দ ফংহন্নবগীদমক ব্লু বার্দ ব্লোক টু কম্যুনিকেসন সেটেলাইটকী নেক্স জেনেরেসনগী শরুক অমনি। ইসরোনা শাবা লোঞ্চ ভেহিকল মার্ক থ্রি নত্রগা এল.ভি.এম থ্রি অসি ষ্টেজ অহুমগী লোঞ্চ ভেহিকলনি। সেটেলাইট অসিনা মনুং হুঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংদা মী অমগা অমগা পাউ ফাওনবগী লমদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি।

ইসরোনা কম্যুনিকেসন সেটেলাইট ব্লু বার্দ ব্লোক টু  মায় পাকা থাগৎখিবা অদুবু উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণন, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি য়াওনা লুচিংবা কয়ানা ইসরোগী টিমবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

**দিল্লিঃ** কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলনা লুপা কোতি লিশিং ১২ হেনবগী দিল্লি মেত্রোগী

ফেজ ফাইব (এ) পায়খৎপা য়ারে।

মন্ত্রি-মন্দলগী মীফম লোইরবা তুংদা ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংদা ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা হায়-তাঙ্কক অসিদা আর.কে. আশ্রমদগী ইন্দপ্রস্থা ফাওবা, এরোসিতিদগী ইয়ারপোর্ট তর্মিনেল ৱান ফাওবা অমসুং তুঘলকবাদতগী কোলিন্দি কুঞ্জ ফাওবগী মেত্রো কোরিদোর অহুম অমসুং মেত্রো ষ্টেসন ১৩ শাগনি। মহাকা হায়-মসি শাবা লোয়রকপদা দিল্লি মেত্রো নেটৱার্ক অসি কিলোমিটর ৪০০ হেল্লগনি।

শ্রী বৈসনোনা হায়-হৌখিবা চহি ১১ দা মেত্রো সেক্তরদা চাউনা অওনবা লাকপদগী আমেরিকা অমসুং চাইনাগী মথংদা ভারত হৌজিক মালেমদা মেত্রো নেটৱার্ক খ্বাইদগী ফবা অহুমশুবা লৈবাক ওইরে।

**পোলোঃ** ওল মনিপুর পোলো এসোসিয়েসন (অম্পা) না শিনদুনা ঙসিদগী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট-২০২৫-২৬, ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা হৌদোকখ্রে।

য়ুথ এফিয়ার্স অমসুং স্পোর্টস ভিবাগকী সেক্রেটরি-এন. প্রবিননা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা টুর্নামেন্ট অদু হৌদোকখি। টুর্নামেন্ট অসি নুপী কাংলুপকী ওইনা ২০ শুবা ওইনা পাঙথোকপনি। নুপাগী ওইনা ৩৯ লক শুবা ওইনা পাঙথোকপনি অমদি অন্দর সিক্সতিন জ্নিয়ার বোইজকী ওইনা ৯ লকশুবা ওইনা পাঙথোকপনি।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা নুপীগী অহানবা মেটচতা-চিংখৈহুনবা পোলো ক্লবনা ইবুধৌ পাখংবা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১০-২ দা মায়থিবা পীখি।

জ্নিয়ার বোইজকী ওইনা আরবিন পোলো ক্লব টিম (বি) না ন্যু ভিজন টিম (বি) বু পাঞ্জল ৫-১ দা মায়থিবা পীখি।

**ক্রিকেটঃ** ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ গী ঙসি লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-এম.পি.এ. থৌনাওজমনা

এস.য়ু-শগোলবন্দবু ৱিকেট ৫ দা মায়থিবা পীখ্রে।

থৌবালগী মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা-আর.আর.সি.সি. চুরাচান্দপুরনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি. ক্লব লালাম্বুং মখোংবু ৱিকেট তরেৎতা মায়থিবা পীখি।

**ক্রিকেটঃ** ৫ শুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ গী ঙসি মোদেল হয়ার সেকেন্দরি অমদি ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-এম.পি.এস.সি. মনিপুর সেন্ত্রেল জেলনা য়ু.সি.সি. কাংচুপ রোডপু রন-১৫০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

খাঙবোক পার্ট থ্রি চেরাপুরদা লৈবা পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা-পি.সি.সি. ময়াই কোইবীনা কে.এ.এস.সি. খোমিদোকপু রন-১৫২ দা মায়থিবা পীখি।